হেল্দি বেবি শো কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, নবেম্বর ১৬(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট হেল্দি সোসাইটি বিষ্ণুপুরনা শিন্দুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট লেভেল হেল্দি বেবি শো কম্পিটিসন অমা কিয়াম্বা নিংশিং শঙলেন বিষ্ণুপুরদা পাঙথোকখ্রে।

হেল্দি বেবি শো কম্পিটিসন অদুদা দি সী বিষ্ণুপুর নীতা অরাম্বম, ডা. টি মণিহার, চিফ মেদিকেল ওফিসর বিষ্ণুপুর অমদি ডা. এন বিনো মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট দিষ্ট্রিক্ট বিষ্ণুপুরনা মথং শিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি সী নীতা অরাম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, মশা-মউ ফবা খুনাই অমা ওইনবা অমদি তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা পিক্লিবা অঙাংশিংবু নাদা-য়েক্তবা অমদি মশা-মউ ফনা লৈহন্নবা মমাগী পুক্নুংদা লৈরিঙৈদগী হৌনা মপুং-মরৈ ফাদ্রিবা ফাওবা মমা-মপাশিংনা শেন্নবীদুনা অমদি অফবা চিঞ্জাক কয়া পীজদুনা লমদম অসিগী অচংবা মীওই অমমম ওইবা ঙম্নবগীদমক অসিগুম্বা কম্পিটিসন অসি য়াম্না মরু ওই হায়খি। ঙসিগী কম্পিটিসন অসিদা মকোক মথং তারবশিংনা ষ্টেটকী লেভেলদা অমুক চাংদম্নবা পাঙথোকপদা শরুক য়াগনি হায়খি।

কেটাগোরি অহুম থোক্লা হায়বদি থা ৬ তগী ১১, থা ১২দগী ২৩ অমদি থা ২৪দগী ৩৬ ফাওবদা লৈবা অঙাংশিংদা স্ক্রিনিং তৌদুনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা থা ৬তগী ১১গী ওইনা নম্বোল সাবল লৈকায়দগী মালেমঙানবনা অহানবা, খোয়জুমানদগী ৱাইরোকপম বিনন্দানা অনিশুবা অমদি কৈনৌদগী সোরাইশম জেসিকানা অহুমশুবা তাখি। থা ১২দগী ২৩ ফাওবদনা নম্বোল সাবল লৈকায়দগী কৈশাম সিলভিয়ানা অহানবা, নম্বোলদগী লৈশাংথেম শিন্থাঙম্বানা অনিশুবা অমদি লৈমপোকপমদগী ওইনাম লনচেনবানা অহুমশুবা তাখি। অমসুং থা ২৪দগী ৩৬কী ওইনা লৈমপোকপম খুঙম্বা ওইনামমনা অহানবা, কুম্বী তেরাখাদগী নিংথৌজম রেজিনানা অনিশুবা অমসুং নম্বোলদগী য়ুম্নাম শিন্থাঙম্বীনা অহুমশুবা তাখি।

খনগৎলবা অঙাংশিং অসিদা শেলগী মনা অমদি সর্টিফিকেট পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

রেদিয়ন্ট গ্রুপকী...

লামায় ১গী মখা... রেদিয়ন্টগ্রুপকী বিজিনেস য়ুনিট অমদি পায়খৎলক্কদবা প্রোজেক্ট কয়াগী মতাংদসু হায়লাইট তৌগনি। জোব ওনলাইন এপ্লাইদ তৌবা অমদি ওনলাইন চার্ট ফেসিলিটিসু লৈগনি। ৱেবসাইট অসিদা ক্লাইন্টশিংনা ইন্টরেক্টসন অমদি ফিদবেককী খুদোংচাবা ফংগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

GAS NEWS

ATHOKPAM INDANE
Booking Upto: 01/10/2019
Valid From: 25/09/2019
Stk : 612 (CTC)
Timing: 06.30 am to 10.00 am
HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE
Booking Upto: 21/10/2019
Valid From: 19/10/2019
Stk : 612
KHORIPHABA (NAMBOL)
Sl. No.: 52445 – 52845
Booking Upto: 22/10/2019
Valid From: 20/10/2019
Timing: 07.00 am to 09.30 am
KHONGNANG (BISHNUPUR)
Booking Upto: 06/09/2019
Valid From: 04/09/2019
Stk : 306
Timing: 07.30 am to 10.00 am
MAIBIA GAS, MOIRANG
Sl. No. : 6601 – 6990
Booking Upto: 09/10/2019
Valid From: 08/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 11.00 am
MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto: 11/10/2019
Valid From: 10/10/2019
Stk : 612
Timing: 07.30 am to 09.30 am
TANGLEI GAS OINAM
Booking Upto: 14/10/2019
Valid From: 12/10/2019
Stk : 306
Timing: 07.00 am to 10.00 am
HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto: 30/09/2019
Valid From: 28/09/2019
Stk : 612
Timing: 07.00 am to 10.00 am
M/S BASHIKHONG INDANE
Sl. No. Upto – 52470
Booking Upto: 16/10/2019
Valid From: 02/10/2019
Stk : 450
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)
NONGPOK SEKMAI JCD INDANE
Booking Upto: 05/10/2019
Valid From: 27/09/2019
Stk : 306
Timing: 08.00 am to 10.00 am

ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট, সী এ বিগী মায়োক্তা খোঙজং লেপ্লোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথরিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমসুং সী এ বিগী মায়োক্তা সী পি আইগী খোঙজং লেপ্লোই হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ১৮ দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা চয়েৎনদুনা লৈরিবা ইন্দো নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাফম অসি এন এস সী এন-আই এমগী অপাম্বা মতুংইন্না পাস তৌখ্রগনি হায়বগী ময়েক শেংবা হেল্লক্লি। মরমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ঙাংলম্বা ৱাফমশিং নোংম-নোংমগী হোং-হোংদুনা ঙাংখৎলক্লি। এগ্রিমেন্ট অসিদা মণিপুরগী ঙমখৈ শোক্লোই হায়জরবসু টেরিটোরিয়ল কাউন্সীল থমদুনা ফুরুপ অমখকপু হেন্না খুদোংচাবা পীখ্রগনি হায়রবসু সী এম, এন বিরেননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ উনরক্লে, থাজবা পীরক্লবনিনা মীয়ামগী ঈহৌ তোক্লবা আপিল তৌরি। এসেমব্লী মীফম কৌনবা সী পি আইনা অকনবা দিমান্দ তৌরবসু অমুক্লা কৌফম থোক্তে, অমুক্লা কৌরোই হায়খিবা লৈতে হায়দুনা মরৈ অনী লোংবগী মওং হেন্না হেন্না উৎথোক্লক্লি। সী পি আইনা সঙাই ফেষ্টিভেল তোকপীনবা হায়খ্রে। লোয়ননা ঙসিসু নৌহৌননা সঙাই ফেষ্টিভেল লেপ্পীনবা তকশিল্লি।

সী পি আইনা হান্নদগী সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল-২০১৬ কী মায়োক্তা থেংনদুনা লাকখি। ইনিদয়াবু হিন্দু রাস্ত্র ওইহল্লগা লায়রবা চাম্মগী মনুংদা ৬০ লৈরিবা মীয়াম ৱাহন্দবা ঙমগদৌরিবরা। ইন্দিয়াদি লাইনিং-লাইশোন খুদিংমক নুংশিননা লৈমিন্নগদবা লৈবাকনি। অদুবু বি জে পিনা তৌরিবসিদি সী এ বি পাস তৌরগা অতৈ হিন্দু নত্তবা মীয়াম ওৎনবা হোৎনবনি হায়না সী পি আইনা লৌই। মদু সী পি আইনা য়াবা ঙল্লোই। মরম অদুনা সী পি আইনা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা ষ্ট্রগল চথরগনি। মণিপুর অমদি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়ানা হেন্না কন্না ষ্ট্রগল তৌগনি। সী এ বি অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লগনি হায়বদগী অসামদা ঙরাংদগী মীয়াম্না খোঙজং চত্থবা হৌখ্রে। সী এ বিগী মতাংদা মণিপুরগী বি জে পি অমসুং সী এমনা মণিপুরগী শোক্লোই, ষ্টেট অসিগী অখন্নবা প্রোভিজন অমা হাপ্পবা তকশিল্লি হায়খি। মদু চৎনবা য়াগদৌরিব্রা। ঙসিদি বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা থা অসিগী ১৮ দা ফম্বা হৌবগা পুথোক্লগনি, নমদুনা পাস তৌখ্রগনি।

মণিপুর মীয়ামগী ৱা ঙাংলুগদ্রা খল্লগা ঙাংফম থোক্তে লাউরিবা এম পি, ডা. রঞ্জনগী ৱাঙাং অসি সী পি আইনা কন্দেম তৌই। সী এ বিগী মতাংদসু এম পি, ডা. রঞ্জননা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাংলোই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এসিয়া ৱর্ল্ড মোদেল য়ুনাইটেদ নেসন্সকী কনফরেন্সতা শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : ইন্দোনেসিয়াগী বালিদা থা অসিগী ১৩ দগী ১৬ ফাওবা পাঙথোকখিবা এসিয়া ৱর্ল্ড মোদেল য়ুনাইটেদ নেসন্সকী অহুমসুবা কনফরেন্সতা মণিপুরগী মহৈরোয় ৫ শরুক য়াবা ঙমখ্রে। কনফরেন্স অদু ইন্টরনেসনল গ্লোবেল নেটৱর্কনা ওর্গনাইজ তৌদুনা দি ইমপ্লিমেন্টেসন ওফ ৱর্ল্ডস এজেন্দা ২০৩০ হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবনি। কনফরেন্স অদু বালিগী গভর্ণর আই ৱায়ান কোষ্টরনা থৌরমগী মপু ওইদুনা হৌদোকখি হায়রি।

মালেমগী থাক্তা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুদা ইন্দিয়াগী দিলিগেট ১৯৭ য়াওনা মালেমগী তোঙান-তোঙনবা লৈবাক ৭৮গী দিলিগেটস ১২২৮না শরুক য়াখি। মদুগী মনুংদা মণিপুরগী দিলিগেট ৫ শরুক য়াখি। মখোয়শিং অদুদি য়ুমখাইবম অজহর (ও আই দী, মালদিভস), তেলেক্সি রাজকুমারি (য়ু এন এফ সী সী সী, জপান), চনমথাবম রোনিকা (য়ু এন ঐচ আর সী, নেপাল), ঐচ ৱিঙ্গালৌ (দব্লিয়ু টি ও, চিলে) অমদি পৌগালিন কামৈ (য়ু এন দি পি, য়েমেন) নচিংবনি হায়রি। ইন্টরনেসনলগী থাক্তা পাঙথোকপা কনফরেন্স অসি য়ুনাইটেদ নেসন্সগুম্বা ইন্টরনেসনলগী ওইবা ওর্গনাইজেসনশিংদা বেজ তৌদুনা পাঙথোকপনি। কনফরেন্স অসি পাঙথোকপগী পান্দমদি মালেমদা লৈরিবা নহারোলশিংদা মালেমগী মফম কয়াদা ঙসি-ঙসিমক থোক্লিবা থৌদোক-ৱাথোকশিং খঙহন উহনবগা লোয়ননা মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোলশিংনা করম্না সোলুসন পুরকপা ঙমগদগে হায়বগী মতাংদা দিবেট তৌবা, শরুক য়ারিবশিং কম্যুনিকেট তৌনহনবা, দিপ্লোমেটিক স্কিলস অসিনচিংবা স্কিলশিং দিভলপ তৌনবগী পাঙথোকপনি হায়রি।

এন এস সী এন (আর) অমদি জেদ...

লামায় ১গী মখা... নুমিদাং অথেংবদা জোইন্ট ওপরেসন অমা চথখি। জোইন্ট ওপরেসন অদুদা এন এস সী এন (আর) অমসুং জেদ য়ু এফকী কেম্পশিং লৈরম্বা থেংনবদগী থুগায়খিবনি। ওপরেসন অদুদা এন এস সী এন (আর)গী সেল্ফ ষ্টাইল সেকেন্দ লেফটনেন্ট পাওগোংলোং এলিয়স লক্কী (২৮) অপোকপা গোংকিনলোং অমসুং জেদ য়ু এফকী সেল্ফ ষ্টাইল কেপ্টেন সাগুর রোংমৈ (৪০) অপোকপা অনীংদোন ফাগৎলে। অদুগা অতোপ্পা মীওই অনী অমনা নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে। লোয়ননা ওপরেসন অদুদা এ কে রাইফল অমা, এ কে ৫৬ রাইফল অমা, নোংমৈ অসিগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ২০ অমদি এম ১৬গী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ১২৩, শেনখায়-থুমখায় চথবদা শীজিন্নবা স্লিপ বুক, মোবাইল ফোন অমদি য়ূম ওইনা লিংবদা শীজিন্নবা পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

ফাগৎলবা কাদর অনী অসি ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মীয়ামদগী শেনখায়-থুমখায় চথবা, কিদনেপ তৌবা অমদি জেলিয়াংরোংনা নম্না খুন্দাবা মফমশিংদা ক্রাইমগী থবক থৌরমশিং চথবদা চেন্নবা মীওইনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

মণিপুরগী লৈরিবা ফীভমসি পূক্লিং...

লামায় ১গী মখা... মদুনা পোলিটিকেল্লি তুংদা অকায়বা কয়া লাকপা য়াই। মরম অদুনা পূক্লিং ফাথরগা লৈরিবা ফীভমশিং অসি টেক্কল তৌবা চুমগনি।

গুৱাহাটিগী জেলদা লৈরিঙৈদা করিসু অৱাবা থেংনরকখিদে। মফমদুদা লৈরিবা জেল ওথোরিটি, জেল ৱার্দেনশিংগা অফবা মরী লৈখি। মতম অমদা হেক্তা জেল ওথোরিটিদা এসেস তৌবগী খুদোংচাবা ফংখি। মণিপুরগী জেলদা লৈরিঙৈদা অখন্নবা ফেসিলিটিশিং ফংখিদ্রবসু গুৱাহাটিগী জেল অসিদদি অঙকপা ফংনা খুদোংচাবা কয়া ফংখি। মফম অদুদা ফমুং, লাইরিক পানবা টেবল, চৌক্রি, ইলেক্ট্রিকী লেম্প অমদি কেবল টি ভিগী খুদোংচাবা কয়া পীবীখি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা নোংয়াইনা হায়খি, হান্নগী চ্যেরমেনগা হৌজিক ফাওবা কন্টেক্ট অমত্তা লৈতে। মহাক্কী লৈরিবা ফীভম অসি য়াম্না নেগেটিভ ওইনা লৌবা চুম্লোই হায়না খল্লি। মরমদি মহাক্কী সেন্টেন্স মতম লোয়রদুনা চৎখিবনি। লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা অনৌবা এফ আই আর অমা পাল্লগা ফাবা ঙল্লোই খল্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হেলেন অমসুং প্রধান রবিগী মথক্তা চার্জ...

লামায় ১গী মখা... প্রধান এন রবি (৪৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা এন নিমাই, বামোন কম্পু খাবম ফারগা জুদিসল কষ্টদিদা থমখিবনি। লোয়ননা কেস অসিগী চার্জশীট মরী লৈনরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম), ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবনি।

অদুবু কেস অসি সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টনা ক্রিমিনেল ট্রাইয়ল কোর্ট অমা ওইরিবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা কম্মিট তৌরকখি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা সেসন্স ট্রাইয়ল কেস নম্বর- ৬ ওফ ২০১৯ লৌখৎলগা মসিগী ৱায়েল চথনবা থবকশিং লৌখৎলকখিবনি।

কোর্টনা লৌখৎলকপা থবক্কী মনুংচন্না থা অসিগী ৬তা কেস অসিগী চার্জ কন্সিদরেসন (হিয়রিং) পাঙথোক্লগা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা অসিগী ওর্দর অদু ঙসি লাউথোকখিবনি। কোর্টকী ওর্দর অসিদা থৌদোকসিদা চেন্নবদগী পুলিসনা ফাখিবা হেলেন এলিয়স থোই লৈমা অমসুং প্রধান রবিগী মথক্তা আই পি সী সেক্সন-৩০২/১২০-বিগী মখাদা চার্জ ফ্রেম তৌরে হায়দুনা লাউথোকখি।

পনবা য়াবদি, লৈখিদ্রবা অরুনগী লোয়নবীনা প্রধান রবিগা অরোনবা মরী লৈনৈ। মহাক্লা থৌদোকসি থোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা পোকখিবা মচাদু প্রধান রবিগীনি হায়বা ৱাহৌদগী অরুনগা মহাক্কী লোয়নবীগগী মরক্তা তোয়না খৎনচৈনবগী থৌদোকশিং থোকখিবনি। মসিদগী হেলেন এলিয়স থোই লৈমা মপামদা লৈখ্রিঙৈগী চৈরক্তা অরুন এপ্রিল ২২গী নুমিদাংদা ময়ূমদগী থোকখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদ্রগা মথংগী নুমীৎতা শিনা ফংখিবনি।

থিংলবা দ্রগশিং পুশিল্লম্বদা চেন্নবা মোরে পুলিস ষ্টেসনগী...

লামায় ১গী মখা... নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩৫ রোম তারকপদা মোরে ৱার্দ নম্বর-৯ (ন্যু মোরে)দা লৈবা এ এস আই পাউমিনলুন হাওকিপকী য়ূমদা কেটামাইন ইঞ্জেক্সন আই পিগী য়াম্লবা বোট্টলশিং লোৎশিনদুনা থম্লে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংখি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না তেংনৌপল এস পি, টি ঐচ বিক্রমজিৎকী সুপরভিজন মখাদা তেংনৌপলগী এদিসনেল এস পি, মোরেগী এস দি পি ও মেঘবর্ননা লুচিংবা সব-ইন্সপেক্টর ২ অমসুং এ এস আই ১ য়াওবা টিম অমনা চঙশিন্দুনা থিবা-হুন্বগী থবক চথখি। মসিদা থিংলবা দ্রগশিং অসি এ এস আই পাউমিনলেন হাওকিপকী ময়ূমদা মহাক্কী কাগা হেক মায়োক্লবা কা অমদা লোৎশিল্লগা থম্লম্বা থেংনখিবনি হায়রি।

কার্টুন বোক্স ৩৪ অদু এগজিক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট অমা অমসুং ৱিটনেসশিংগী মমাংদা অমমম্তা ওইনা হাঙদোক্লগা চ্যেক তৌবদা কেটামাইন ইঞ্জেক্সন আই পিগী বোট্টলশিং অসি য়াওরম্বা থেংনবদগী ফাগৎখিবনি। অদুগা থৌদোকসিগী মতাংদা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন-২২(সী)গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর-৯৬(১১)২০১৯ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপনি হায়রি।

ফারবা ও সী য়াওনা পুলিস পর্সনেল মরিসিবু ৱাহং পাউহং চথবদা দ্রগশিং অসি মোরে ফাওবা পুশিনবীনবগীদমক ও সীদা হেদ কন্সটেবল এম দি খালিলুপ অমসুং কন্সটেবল দ্রাইভর লকসন হাওকিপনা হৌদোক্লবনি। দ্রগশিং অসি লিলোং তাইরেন মখোঙদগী এম দি ইস্লাউদ্দিন কৌবা অমনা মোরে ফাওবা পুশিনবীনবা হায়রকপনি। মসিগীদমক লুপা লাখ ১ পীগনি হায়রক্লে হায়দুনা তল্লখি হায়রি।

ৱাফম অসিদা ও সীনা য়াবদগী হেদ কন্সটেবল এম দি খালিলুপনা কন্সটেবল দ্রাইভর লকসন হাওকিপকা কোন্ননা লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী ময়ূমদা থা অসিগী ১১গী অহিং লেকখি। অদুগা মথংগী অয়ূক্তা দ্রগশিং অসি পুশিনবগী য়ানখিবা শেনফমদগী তঙ্খায় (লুপা লিশিং ৫০) এদভান্স ওইনা লৌরগা মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মিনি ট্রক (৪০৭)তা হাপ্লগা মোরেদা পুশিল্লক্লগা এ এস আই পাওমিনলেন হাওকিপকী য়ূমদা লোৎশিল্লগা থল্লম্বনি হায়রি।

ফারবা পুলিস পর্সনেল মরিসিগী মনুংদা ও সী লেটখোহাও ভাইফৈনা ঙসি কোর্টতা পুথোরক্লগা থা অসিগী ২০ ফাওবা নুমীৎ ৫নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে। অদুগা অতৈনা জে এম এফ সী, মোরেগী মমাংদা পুথোক্লগা থা অসিগী ১৮ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং-পাউহং চথরক্লি।

পুলিসকী ৪০৭ মিনি ট্রকতা পুশিল্লকখিবা দ্রগশিং অসি মসিবু পুননবা কন্টেক্ট তৌরকখিবা এম দি ইস্লাউদ্দিননা থারকপা লিলোং তাইরেন মখোঙদগী এম দি অজিজ খান কৌবা মীওই অমনা মারুটি ভেন অমদা হাপ্লগা পুরকখিবনি হায়রি।

থৌদোকসিদা চেন্নরিবা ও সী লেটখোহাও ভাইফৈবু থা অসিগী ১৪দা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) এল এম খৌতেনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। লোয়ননা অতোপ্পা পর্সনেল অহুমসু এস পি তেংনৌপলনা থোকখিবা ওর্দরশিংগী মতুংইন্না মখোয়-মখোয়গী সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়রি।

মণিপুর কায়গদ্রা মিপাইরিঙৈসিদা সী এ বি চৎনহল্লক্লবদি...

লামায় ১গী মখা... পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর কায়গদ্রা হায়না মিপাইরিঙৈ চৈরক অসিদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অমুক চৎনহল্লক্লবদি লমদমসিদা অঙকপা ফীভম অমা ওইহল্লগনি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথরিবা পিছ টোককী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়হনবা য়ারোই। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনা তেংবাংবীনবা অমদি লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরনা মণিপুর কায়হন্দনবা হোৎনবীয়ু হায়দুনা তকশিনবগী থবক লেপ্তুনা চথখিগনি।

লাক্লিবা নবেম্বর ১৮দগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট সেসন অসিগী এজেন্দা লিষ্টতা সী এ বি য়াওরি। করিগুম্বা বিল অসি পাস তৌখিবা তারবদি মণিপুর য়াওনা অৱাং-নোংপোক লমদমগী মরাইবক করি ওইগনি হায়বা তম্বা ঙমদ্রি। মমাংদা পুথোকখিবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অদুদা ফোরেন লৈবাকশিংগী মীওই কয়ানা বাংলাদেশ, অফঘানিষ্টাননচিংবা লৈবাকশিংদগী মুস্লিম নৎতবা হিন্দু, বুধিষ্ট নৎত্রগা খৃষ্টিয়ন লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা লৈবাক অসিদা চহী ৬ লৈরক্লবদি মপূং ফাবা সিটিজনশিপ ফংহল্লগনি হায়বা ৱাফমসু থমখ্রবনি। মরম অসিনা হন্দক নৌনা অমুক পার্লিয়ামেন্ট সেসনদা বিল অসি পাস তৌরক্তুনা চৎনহল্লক্লবদি অৱাং-নোংপোক লমদমগী য়েলহৌমীশিংদা অচৌবা শাফূ অমা শোয়দনমক্কী পীরগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এম পি সী সীনা শীন্দুনা চথখিবা খুত্থাং চরা হেনবগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবা এম পি সী সীগী ৱাঙাংলোয় এক্স-মিনিষ্টর ডা. কে ঐচ রতনকুমারনা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বা খঙহল্লু হায়না কয়ারক হন্না তকশিল্লবসু খঙহন্দনা লৈরক্লি। এসেমব্লী মীফম কৌ হায়বা ৱাফমগী মতাংদসু চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক এসেমব্লী মীফম কৌবা মতম নৎত্রি হায়না ফোঙদোক্তুনা লৈরি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। এম পি সী সীগী মায়কৈদগী ঙসিদগী খুত্থাং চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌরে। মখা তানা খোঙজং কয়া অমসু চঙশিনখিগনি। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি য়াওরিবগে হায়বা খঙদবা মরম্না মীয়ামদা চমন্নবা অমদি চিংনবা কয়া পোক্লিবসিদা অথুবা মতমদা ৱারোলশিং খঙহনফম থোকই। কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগীসু ৱারোলশিং খঙহল্লু হায়না তান্দুনা লাকখিবনি।

সী এল পি মণিপুরগী লিদর য়াওনা কোংগ্রেসকী এম এল এ কয়া হৌজিক দিল্লিদা লৈদুনা লুচিংবা কয়া উনবগী থবক চথরি। এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টসু দিল্লিদা লৈরি। মখা তানা খোঙজং কয়া চঙশিনখিগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা এম পি সী সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি মঙ্গিবাবুনা হায়খি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোল খঙহল্লু হায়বদা ঙসি ফাওবা ফোঙদোক্তনা লাক্লি। এগ্রিমেন্টসিদা য়াওরিবা ৱারোলশিং খঙহল্লু অমদি এসেমব্লী মীফম কৌ হায়বা দিমান্দশিংগা লোয়ননা এম পি সী সীগী থৌমীশিংনা খুত্থাং চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবনি। মখা তানা খোঙজং কয়া অমসু চঙশিন্নবা শেম-শারি।

স্পেসল সেসন কৌদুনা লমদমসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিগী মতাংদা খন্নদুনা চপ চাবা ৱারেপ লৌ হায়না তকশিল্লবসু ঙসি ফাওবা কৌদনা লৈরি। কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী মমাঙদা ৱাকৎ মীফম অমদি খোঙজং কয়াসু চথদুনা লাকখ্রবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা থাজবা পীরক্লে হায়দুনা অদুম লৈশিনবসি য়ানিংদে। তংদু-লৈতাদবা ফীভম অমা লৈরিবসিদা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোল খঙহনগদবনি। কোংগ্রেসকী ফিরেপতি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱারোইশিন লাকপা মতমদা মণিপুরগী ঙমখৈ অমদি লমদমসিগী শক্তমদা হিরম অমত্তদা শোকপা য়ারোই হায়বসিনি। মণিপুরদা কায়রকপা য়াবা থৌওং অমত্তা চথবা য়ারোই হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

STATE ARCHAEOLOGY
DEPARTMENT OF ART & CULTURE
GOVERNMENT OF MANIPUR
Celebrating
WORLD HERITAGE WEEK
19th - 25th November, 2019
by Organising a **Painting Competition**
Venue : Kangla, Imphal
Date : 23rd November, 2019
Theme : Spot Painting Competition.
The Categories are :
i. Category - I : Class - IV to VI
ii. Category - II : Class - VII to X
*** Last date of Form Submission : 21st November, 2019 (1 p.m.)**
* For further details, please contact the undersigned office during office hour.

Sd/- Superintendent
State Archaeology, Government of Manipur
HL-P/5136/16,17

‘পুৱারীদা ইশাগী শক্তম লৈজরক্লবনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর অসি চহী লিশিং কয়াগী মমাঙগী পুৱারী লৈজবা ইশাগী শক্তম লৈরকপা লমদম অমনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি দেম্মক্রেটিক ভারতিয়া সমাজ পার্টি মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট চবুংবম প্রেমচন্দ্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ঐখোয়গী শক্তম অমদি চৎনবী নীংথিনা লৈরম্মী। ইনাৎ-লীচৎ, পুয়া, পুৱারী, ইরোল ইয়েক, কংলৈরোল ৱাৎতনা ফুরুপ অমগী লৈফম থোকপা পুম্বা লৈজরিবনি। য়েক তীন্নবা লৌন-লৈনবা য়াদে হায়বা চৎন-কাঙলোন লৈ। য়েক তীন্নবা লৌন-লৈনবশিং খুন্নাইদগী তোপ্পা লৈহল্লম্মী। লৌনগনবা লায়না অমগুম কিনরম্মী। মালেমগী খুন্নাই অমত্তদা য়েক্কী চৎনবী ফংদে। মালেম খুন্নাই কাঙলুপতগী তোপ তোপ্পা কাঙলুপনি। অমগা অমগা কৌনরিবা মিঙ্গৌসু মালেম খুন্নাই পুন্নমক্তগী তোপ তোপ্পা হেন্না কুপ্না শেমদুনা থল্লম্বা অমনি। মিঙ্গৌ খুদিংগী মমাঙদা ঈ হায়বসি লোয়নমক হৌরম্মী হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

চেকশিন মীফম...

লামায় ১গী মখা... লৈমরোল নুপী লূপ খূদোকপী, ৱিমেন সোসল ৱেলফ্যের তেরাখোংশাংবীনা পূন্না শীন্দুনা চুড়াচান্দপুরগী পিছ গ্রাউন্দদা চেকশিন মীফম ফমখ্রে। চেকশিন মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা ৱা ঙাঙখিবা কোকোমিগী এসিষ্টেন্ট কো-ওর্দিনেটর ফৈরোইজম নন্দো লুৱাংনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী মরক্তা চথরকখিবা পিছ টোককী ৱারোইশিনগা মরী লৈননা মণিপুর মীয়াম্না য়াম্না নুংনাংবা ফাওরিঙৈ চৈরক অসিদা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অমুক তৌরক্লবদি মণিপুর মীয়াম অৱাবগী মথক্তা হেন্না অৱাবা অমা মায়োক্লগদৌরি। অসিগুম্লবা য়াম্না লুশিল্লক্লিবা ফীভম অসিদা মণিপুর মীয়াম্না য়াম্না মুন্না ৱাখল খন্থহৌদ্রবদি অপূনবগী শক্তম কায়খিদুনা মমৈদা লমদম অসি মপান লমদগী চঙলকপা মীতোপশিংনা খুল্লিংবা লমদম অমা ওইখ্রগনি। মরম অদুনা নাগাগী, কুকিগী, মৈতৈগী, পাঙলগী হায়দুনা থবক তৌবা হায়বসি মতমগা চুনদ্রবা থবক্লি। ইথনিক লাইনদা থবক তৌবসি করিগুম্বা অতেনবা মতমগী ওইনা মায় পাক্লবসু তুং কোয়না চৎনবা য়ারোই। মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় খূদিংমক্লা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকমিন্নবা মতম অসিদা অমগা-অমগা থাজনদবগী ফীভম লৈরিবা অসিনদি মণিপুর অসি মীতোপশিংদা শীন্নখিসি হায়বগা চপ মান্নগনি। মরম অদুনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপচা খূদিংমক্লা মাগী-মাগী ফুরুপকী ওইবা অপীকপা ৱাখল থাদোক্লরগা তুংগী অফবা মণিপুর অমগীদমক থবক তৌমিন্নরসি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, জিরিবামগী মনুংচন্না লৈবা লৈঙাংপোকপী ভিলেজদা লৈকাই অদুগী মৈরা পায়বী, লোং লিভ ক্লব লৈঙাংপোকপী অমদি সী ও সী ও জে এম আই জিরিবামগা খূৎশম্নদুনা মীয়ামগী ওইবা চেকশিন মীফম অমা ফমখ্রে।

চেকশিন মীফম অদুদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, এন এস সী এন-আই এমগী ৱারোইশিন মণিপুর শোক্তনা লোইশিল্লু, ইনিদয়ানা মণিপুর থুগায়গনু, কাঙলূপকী মিংদা থৌশিল থৌরাং অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই অমদি পিছ টোককী ৱারোইশিনগী ৱারোল খঙহল্লু হায়না ইবা প্লেকার্দ কয়া শীজিন্নখি।

পাউচেসিগী নোমিতা খোংবান্তাবম...

লামায় ১গী মখা... ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৭ অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী লম্দা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ২০১৮সু ফংখ্রবনি। বেবিচা চহী ৫ থংন-থংননা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দ ফংবা মণিপুরগী অহানবা পাউমী ওইবা ঙমখি।

নেসনল ইন্টিগ্রেসন এন্দ কম্যুনেল হার্মোনিগী লম্দা পীবা বেষ্ট এদিটর এৱার্দনা সনালৈবাক্কী জোইন্ট এদিটর নেপ্রম কৃষ্ণমোহোনদা লান্থোকখি। স্পোর্টস রিপোর্টিংদা পোক্লফম পাউচেগী রিপোর্টর হৈক্রুজম সদানন্দ, আর্ট এন্দ কলচরগী লম্দা পোক্লফমগী রিপোর্টর আর কে বুল্লু, পার্লিয়ামেন্টরি রিপোর্টিংদা সনালৈবাক্কী সব-এদিটর তাওরেম বিশ্বরজিৎ, ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেনগী লম্দা পিপল ক্রোনিকলগী রিপোর্টর সগোলশেম বিজ্ঞান অমসুং পব্লিক হেল্থ এন্দ হাইজিনগী লম্দা আই এস টি ভিগী ভিদিও জর্নেলিষ্ট খ্বাইরাকপম নাওবদা ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্দশিং খূৎশিন্নখি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২৫, সাইটেসন অমদি শোল অমা য়াওরি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা আই পি আর মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী পাউমীশিংনা খুন্নাই অসিগী য়াইফনবা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি থাগৎনিংঙাইনি। মীয়ামদা পাউ পীবদা য়ারিবমখৈ কন্স্ট্রকটিভ ওইবা মওংদা পীবিয়ু। জর্নেলিষ্টতা বাউন্দরি হায়বা লৈতে। দিমোক্রেসিগী মখোঙ মরি শুবদা লৈরিবা মিদিয়া হায়বা অসি ঙসিদি য়াম্না মরু ওইরে। অতোপ্পা ষ্টেটকী মীওইশিংনা লমদমসিগী মিদিয়াশিংবু য়াম্না থাগৎলকপা অসি অফবা অমনি। মীয়ামদা ঈ-পাউ পীবা মতমদা নাকল নাম্মতগী য়েংলগা পীবীগনু, বেলেন্স তৌরগা ফোঙবীয়ু। লৈঙাক অসিনসু দি আই পি আরদা মনীং তম্না থবক তৌহল্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মনিদকো অমদি মনিট্রোনগী চ্যেরমেন রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা প্রসিদেন্ট অমসুং আই পি আরগী দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

নেসনল প্রেস দেগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ‘রিপোর্টিং ইন্টরপ্রিটেসন-এ জর্নি’ হায়বা থিমদা ৱর্কশোপ অমসু পাঙথোকখি। সিনিয়র জর্নেলিষ্ট প্রদিপ ফাঞ্জৌবমনা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৱর্কশোপ অদুদা অমজুগী মেম্বর সোভাপতি সামোম, এদিটর গিল্ড মণিপুরগী সেক্রেটরি জেনরেল য়ুম্নাম রুপচন্দ্র অমসুং মণিপুর হিলস জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী সোথিং শিমরেনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি।

লৈঙাক্লা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোক্তবা য়াদে তকশিল্লক্তুনা...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরগী ইন্টরেষ্ট শোকপা ৱাফম খরদি শোয়দনা য়াওরগনি হায়না লৌই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তাবীদ্রবসু মণিপুর লৈঙাক্লা অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা ষ্টেন্দ অমখক লৌনবগীদমক্তা এসেমব্লিগী অখন্নবা মীফম কৌবীয়ু হায়না কোকোমিনা তকশিনখিবা অদুসু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপা উদ্রি। ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসিগী ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবা অসিগী মতাংদা খঙহন্দবা অসিনা মণিপুর মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা লূম্না লৌবীদে হায়না তাকপনি। মরম অদুনা মণিপুরগী ওইনদি হৌজিক লৈরিবা খ্বাইদগী হেন্না লুবা ইস্যু অসিদগী হেন্না অতোপ্পা ইস্যু অমত্তা লৈতে। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঈথক-ঈরাংগী ওইবা নৎত্রগা মীয়ামগী পূক্লিং-ৱাখলদা নাথৈহনবা য়াবা থৌরম অমত্তা পাঙথোকহনবীগনু হায়না কোকোমিনা হান্নদগী হৌনা লাউথোক্তুনা লাক্লি। লুরবা তানফম অসিদা মীয়ামগী ঈহৌ অসিবু নাথৈহনখিবা য়াবা মরম্না লৈবাক কন্ননবা হোৎনবদা তঙাইফদনা মণিপুর লৈঙাক্লা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়রিবা চহীসিগী সঙাই ফেষ্টিভেল অসি বোইকোট তৌবনি। অসিগুম্বা ফেষ্টিভেল অসিদা মীয়াম হুপ্না শরুক য়ামিন্নগুমসি। লৈবাক্তগী সঙাই ফেষ্টিভেলনা হেন্না লুদে। ৱারোইশিনগী তংদাংবা অমা খঙলবা মতুংদা সঙাই ফেষ্টিভেল অসি ১০০রক পাঙথোকপা য়াই। সঙাই ফেষ্টিভেল অসিদা ষ্টোল ফম্বীগদবা ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং, ফেষ্টিভেল অসিবু পাঙথোক্লবা শেম শাবদা মথৌ তাবা সাউন্দ সর্ভিস, টেন্ট হাউসনচিংবসু শরুক য়াবীগনু। মসিগীসু মথক্তা লীলারোয় অমদি ট্রান্সপোর্ট সর্ভিসশিং য়াওনা হীরম খূদিংমক্তা মীয়াম্না কোওপরেসন পীবীগনু। লৈবাক কায়গদবগী ফীভম অমদা লৈরকান্দা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈতে। লৈবাক কায়রবসু সঙাই ফেষ্টিভেল তৌদবা য়াদে হায়দুনা তকশিল্লক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা মণিপুর মীয়ামগা মুক্লরকপনা অফবা পুরক্লোই। লৈবাক কন্ননবা অহানবা প্রাইওরিটি পীরগা সঙাই ফেষ্টিভেল মতম খরা য়ৈথোকসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ঙরাং মণিপুর মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মীয়ামগী ঈহুল খঙদবা এম পি অমনি হায়না লৌই। মহাক্লা এম পি ওইখিবা অসি চহী ফাদ্রি। প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনা এস্যুরেন্স পীরবনিনা মীয়াম্না থাজগেরা থাজরোইরা খঙদ্রে, ঐখোয়দি থাজরে, করিগুম্বা মীয়াম্না থাজদ্রগনা চৎলগা হংবীয়ু হায়বা য়াম্না এরোগেন্ট ওইবা ৱাফম থমখিবা অসি মণিপুর মীয়াম্বু উশিৎতবনি হায়না লৌই। অসিগুম্বা ৱাফম অসি কোকোমি অমদি মণিপুর মীয়াম্না তরাইনা লৌদে। মণিপুর মীয়াম্না চিংনরিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবগী মহুৎতা করেম-কথাইনবা মানবা ৱাঙাঙ অসি অমুক হন্না তৌবীগনু।

মণিপুর লৈঙাক্লা শেমখিবা কন্সল্টেটিভ কম্মিটিগী মরুওইবা মীশক অমনসু নাকল নাম্মখক্কী মানবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখিবা অসি য়ানিংদে। বি জে পিগী এম এল এ ৪০নসু ঙসি ফাওবা লৈবাক্কী ইস্যু অসি করিমত্তা থৌশাদনা লৈরি। বি জে পিগী ৱর্করশিংনা তোঙান-তোঙানবা মফমদা চৎলগা খোঙজং অসিদা শরুক য়াদনবা কেম্প্যেন চথরে হায়বগী পাউসু তারে। অসিগুম্বা থৌওংশিং চথরিবা মীওইশিং অদু মণিপুর থুগায়বা পাম্বা মীওইশিংনি হায়না লৌগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

KINGDOM
SPOKEN ENGLISH
SPOKEN HINDI
& COMPUTER INSTITUTE
New Classes begin, please come and join
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 19 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS AN ENGLISH LANGUAGE TRAINER (SPONSORED BY UGC)

English Course + Free 1 mth. Computer Course
For : Students, College Students, Businessmen, Housewives, Office goers, Air Hostess Aspirants, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.
COMPUTER COURSES :
- DCA, CCC, CCP, C/C++, DTP, Tally GST, Typing HTML Programmings, Data Entry, etc.
- **Sunday Spoken English Class** only for Class V - IX at 6 am to 9 am

7005622203, 7005776944, 7005665814
Venue : GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER, Opp. G.P. Women's College, Old Lambulane
HL-B/5792/9,10,12...
TSE/D-8M